# বিরচন্দ্র ফুটবোল একাদেমি টুর্নামেন্টতা টি বি এস এফ এ টিম এ অমসুং এল এফ এ টিম এ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ ঃ

টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমিনা শিন্দুনা তাওবুংখোক্তা লৈবা একাদেমি অসিগী গ্রাউন্দদা টিম ১০ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১২ শুবা অন্দর-১৬ টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা টি বি এস এফ এ টিম এ তাওবুংখোক অমসুং এল এফ এ টিম এ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা টি বি এস এফ এ টিম এ তাওবুংখোক্না কে এল ৱাই সি ইরিলবুং গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা টি বি এস এফ এ টিম এ তাওবুংখোক ঙসি অহানবা মেচ মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংখ্রে। অদুবু কে এল ৱাই সি ইরিলবুং মেচ অনী শান্নখিবদা অনীমক মায়থীদুনা পোইন্ট অমত্তা ফংবা ঙমদনা লৈরি।

গ্রুপ বিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা মায় পাল্লবা টি বি এস এফ এ টিম এ তাওবুংখোক্কী শান্নরোয়শিং অদুনা য়াম্না হৈশিংবা হেন্না শান্নখিবনা কে এল ৱাই সি ইরিলবুংগী মায়কৈদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা এটেক কয়া চত্থখি। অদুবু কে এল ৱাই সি ইরিলবুংগী শান্নরোয়শিংনসু য়াম্না চেকশিন্না শান্নখিবনা গোল ওন্থোকপদা অরুবা অমা ওইখি। অদুবু টি বি এস এফ এ টিম এ তাওবুংখোক্কী শান্নরোয়শিংনা হনবা লৈতনা য়াম্না কন্না শান্নখিবনা মেচকী ১৪ শুবা মিনিটতা সেখরনা গোলা একাউন্ট হাংদোকখি।

টি বি এস এফ এ টিম এ তাওবুংখোক্না গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং কে এল ৱাই সি ইরিলবুংনা গোল হন্দোক্কবা হোৎনরিঙ চৈরক মেচকী ২৮ শুবা মিনিটতা টি বি এস এফ এ টিম এ তাওবুংখোক্কী শান্নরোয় বেনজোনসন্না টিমগী অনীশুবা গোল চনখি।

মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা টি বি এস এফ এ টিম এ তাওবুংখোক্না গোলা অনী মাঙজিল থানা লৈখি। হাফ মতুং মেচকী ৫৫ শুবা মিনিটতা টি বি এস এফ এ টিম এ তাওবুংখোক্কী তোম্বনা টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা মেচ চাউনা মায় পাকখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এল এফ এ টিম এ থিনুঙ্গৈনা ক্লাসা এফ এ কৈনৌ গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ মায় পাল্লবা এল এফ এ টিম এ থিনুঙ্গৈনা মেচ অনী শান্নখিবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট তরুক ফংদুনা গ্রুপ বিগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে।

মেচ মায়থীহৌরবা ক্লাসা এফ এ কৈনৌ মেচ অনী শান্নখিবদা অনীমক মায়থীদুনা পোইন্ট অমত্তা ফংবা ঙমদনা লৈরি। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা এল এফ এ টিম এ থিনুঙ্গৈগী অহানবা গোল এন জি ভাওপৈনা মেচকী ৬ শুবা মিনিটতা চিনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল এ নেপোলিয়ন্না মেচকী ৫৫ শুবা মিনিটতা অদুগা আর ভি সোময়োনা টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৫৮ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা ক্লাসা এফ এ কৈনৌগী গোল অনী অদু রোনাল্ডনা মেচকী ৯ অমসুং ৪৬ শুবা মিনিটতা চনখি।

হয়েং অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এল এফ এ টিম বি থিনুঙ্গৈ অমসুং টি বি এস এফ এ টিম বি তাওবুংখোক্কা, অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা টি দি সি এফ সি ময়াং লাংজিং অমসুং এম এস সি মালোমগা শান্নরগনি।

## বোদি বিল্ডরশিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ ঃ হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১২ অমসুং ১৩ দা কর্ণাটাকাগী মেঙ্গলোরদা পাঙথোকখিবা ৬৪ শুবা নেসনেল বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিং ঙসি ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা থুংলখিবগা লোয়ননা মণিপুর অমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিএশন (মাবা) গী ওফিসিএলশিংনা তরাম্না ওকখ্রে।

মণিপুরগী মশক নাইরবা বোদি বিল্ডরশিং অসিনা নেসনেল বোদি বিল্ডিং অমসুং ফিটনেস চেম্পয়নশিপ্তা চাউনা মায় পাল্লকপদা মণিপুর এমেচর বোদি বিল্ডর এসোসিএশন্না থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা শান্নরোয়শিংদা পূক্লিং থৌগৎখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড ষ্টার জিম লংথবালগী লাইশ্রম সোভাচন্দ্রনা জুনিয়র সুপর টোলগী কাঙলুপ্তা মঙাশুবা পোজিশন তারকখি। নাওরেম লন্দন মাউন্টেন জিম থাংমৈবন্দনা সেনিয়র সোর্ট গ্রুপকী কাঙলুপ্তা শিলভর মেদল ফংলকখি। পামখল জিম শগোলবন্দ সোয়াম লৈরক্তগী পাওনম রোমেসনা মাষ্টরগী মেদিয়ম গ্রুপকী কাঙলুপ্তা শিলভর মেদল ফংলকখি। লময়ানবা জিম য়াইরিপোক্কী কৈশাম মিজেন্না সব জুনিয়র টোল গ্রুপকী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখি। অদুবু পোজিশনদি লৌবা ঙমখিদে।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুর এমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিএশন (মাবা) গী মেম্বর আর কে রাকেসনা জুরি ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিং অদুবু লুচিংখি।

# ঐচ এল সি হোদাম লৈরক্লা ক্লাসা এফ এ কৈনৌ মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৭ ঃ

য়ুঠ ইন্টিগ্রেশন ক্লব (ৱাই আই সি) কৈশামথোং মনিং লোংজম লৈকায়না শিন্দুনা ৱাই আই সিগী গ্রাউন্দদা টিম ১২ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথরিবা অহানবা ৱাই আই সি অন্দর-২১ ফোর এ সাইদ মেন'স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা ঐচ এল সি হোদাম লৈরক্লা ক্লাসা এফ এ কৈনৌ গোল ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা ঐচ এল সি হোদাম লৈরক ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখি। মেচ অদুদা ঐচ এল সি হোদাম লৈরক্কী শান্নরোয়শিং অদুনা হৈশিংবা হেনখিবা মরম্না এটেক তৌবগী চাং ওপোনেন্ট টিমদগী খরা ৱাংনা লৈখি।

মেচ অদুগী ১১ শুবা মিনিটতা ঐচ এল সি হোদাম লৈরক্কী চেষ্টরনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। ঐচ এল সি হোদাম লৈরক্লা গোল মাঙজিল থাদুনা মেচ মায় পাক্লবগী লম্বী শেম্বা হৌখ্রবদা গোল শোত্থরিবা ক্লাসা এফ এ কৈনৌগী শান্নরোয়শিং অদুনা গোল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। ক্লাসা এফ এগী শান্নরোয়শিং অদুগী হোৎনজমনগী মহয়না মেচ অদুগী ২৭ শুবা মিনিটতা প্রিয়োবর্ত্তনা গোল ইক্লেলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মেচকী হাফ ফাওবদা অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। হাফ মতুংদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা লাল্লোং কয়া তৌদুনা শান্নরকখি। মেচকী ৫৪ শুবা মিনিটতা ঐচ এল সি হোদাম লৈরক্কী রোফনা টিমগী মায় পাকপগী গোল চনখি।

হয়েং অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা ৱাই আই সি টিম বি কৈশামথোং লোংজম লৈকায় অমসুং এন এফ সি শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক অনীনা শান্নরগন।

## ত্রাইথালোন মশান্না চাউখৎননবা সুভাসচন্দ্রনা লুপা লিশীং ১০ মতেং পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ ঃ

মণিপুরদা ত্রাইথালোন মশান্না চাওখৎনবগীদমক স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী ত্রাইথালোন কোচ পি সুভাসচন্দ্র (এন আই এস) না লুপা লিশীং ১০ গী শেলফম ত্রাইথালোন এসোসিএশন ওফ মণিপুরদা খুৎশিন্নখ্রে।

ত্রাইথালোন মশান্না চাওখৎহন্নবগীদমক পি সুভাসচন্দ্রনা শেলগী মতেং পীরকপগীদমক ত্রাইথালোন এসোসিএশন ওফ মণিপুরনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। ত্রাইথালোনগী কোচ পি সুভাসচন্দ্র ঝরখণ্ডদা কুমজা ২০১১ দা পাঙথোকখিবা ৩৪ শুবা নেসনেল গেমসতা মণিপুরগী নুপী ত্রাইথালোন টিমগী কোচ ওইখিবনি।

গেমস অদুদা গোল্ড মেদল অনী লৌরকখি। ত্রাইথালোন মশান্নদা পি সুভাসচন্দ্রনা লৌরিবা থৌদাং অসিবু শকখঙদুনা স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা লুপা লিশিং ৫০ গী শেলফম পীখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, পি সুভাসচন্দ্র নেসনেল ইন্দিভিজুএল ইভেন্টতা মরিরক চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবনি। এসিয়ন ত্রাইথালোন চেম্পিয়নশিপ্তসু পি সুভাসচন্দ্রনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা অনীরক শরুক য়াখ্রে।

হন্দক্তা গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস ২০১৬ দা ইন্দিয়াগী ত্রাইথালোন টিমগী কোচ ওইখিবনি। সাউথ এসিয়ন গেমস অদুদা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল তরুক লৌরকখি। পি সুভাসচন্দ্র ককচিং বজারদগীনি। তুংগী পুন্সিদা মখা তানা মায় পাকপা ওইনবগীদমক ত্রাইথালোন এসোসিএশন ওফ মণিপুরনা য়াইফ মঙ্গল পীরক্লি।

## নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ ঃ

ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা গুৱাহাটি অমসুং শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস ২০১৬ তা ওলেম্পিয়ন লাইশ্রম দেবেন্দ্রোনা নুপাগী কেজি ৪৯ গী বোক্সিংদা গোল্ড মেদল লৌরক্তুনা লমদমসিগীদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকপদা য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লব, য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায়না নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

তুংগী আশা চাউনা লৈরিবা বোক্সর লাইশ্রম দেবেন্দ্রো তুংদা লাক্কদবা অচৌ অচৌবা চেম্পিয়নশিপ কয়াদসু মায় পাক্তুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়না য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লবকী সেক্রেটরি এল হেলেনচন্দ্রনা থাদোর-কপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ক্রিকেটকী রিন্যুএল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশনগী মখাদা রেজিষ্টর তৌরবা টিমশিংগী রিন্যুএল অমদি প্লেয়র ত্রান্সফর লোয়ননা প্লেয়র রেজিষ্ট্রেশন তৌরবা য়াগনি।

এলিট গ্রুপকী টিমশিংগী রিন্যুএল ফিনা লুপা লিশিং ১নি। প্লেটকীনা লুপা ৫০০ অদুগা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএশন-শিংগী রিন্যুএলনা লুপা লিশিং ২ নি। অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএশনগী এফিলিএশন্না লুপা লিশীং ৫ নি অনৌবা ক্লবকী এফিলিএশন্না লুপা লিশীং ৩ নি। প্লেয়র ত্রান্সফরগী ফিনা লুপা লিশিং ১নি। প্লেয়রগী রেজিষ্ট্রেশন ফিনা লুপা ১০০ নি। মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক এসোসিএশনগী ওফিসতগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## থাঙ-তা ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ ঃ


লিচৎ ইনাৎ কনবা লূপকী অপূনবা মহৈশঙ লিক্লম কোংপালনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৪ দগী ২৮ ফাওবা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা লাইনিংথৌ পুরাবা হরাউবুংদা মার্সেল আর্টস থাঙ-তা ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা থাঙ-তা ফেষ্টিভেল অসিদা মণিপুরগী মফম কয়াদগী লাক্কদবা থাঙ-তা শান্নরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়াগী কুম্মৈ উৎপনা ফেষ্টিভেল অসিগী মপুঙ ওইবা থৌরম ওইগনি।

















Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com